হুয়েন লানপাও HUEIYEN LANPAO

এপ্রিল ২২ অমসুং ২৩গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুরগী তুইবোং কৈথেলদা লৈবা হোটেল ৩ অমসুং দুকান ৩ মৈ চাক্তুনা লুপা লাখ ৬০ রোমগী পোৎ চৈ অমাঙ অতা থোকহনখিবা


লামায় ১

কুমজা ১৮৯১দা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক বৃটিশকী মায়োক্তা লাম্হেংনখিবা খোংজোম লান নীংশিং নুমিৎতা ত্রিপুরাগী পি দব্লিয়ু সী এস অমসুং পি বি এফনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা লোংজম অরুনদা পুথিবা লাইফ টাইম এৱার্দ খূৎশিন্নবা



লামায় ৫

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী পুরৈরোম্বা খোংনাংখোঙদা লৈবা ময়ায় লোইশঙদা পাঙথোকখিবা খোংজোম লান নীংশিং থৌরমদা লূপ অসিগী থৌমীশিংনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা



লামায় ৪

জিরিবামগী পারি পুরি অথৌবা নীংশিং লূপনা খোংজোম লানগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লূপকী চ্যেরমেন ডা. এস অরুনকুমারনা লুচিংলগা থঙ্গাল জেনরেলগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা


লামায় ৫

# মৈতৈ লাইনীং কন্নবা চৈঙাক লো শেমগদবনি : পন্থৌ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): মৈতৈ খুন্নাইগী মৈতৈ লাইনীং কন্নবা চৈঙাক লো অমা শেমদুনা চৎনদ্রিবা ফাওবদি কনবা ঙমলোইদবগী ফীভমদা লৈগনি। অদুনা লো লৈহনবা অমসুং চৎনহনবা চঙই হায়না পন্থৌনা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি পাউমী খরনা অখন্নবা উনখিবা থৌরম অমদা নোংপোক চীংঙু থোং থলো সিপি লোক, সেলোই লংমাই চীংদা লৈরিবা মৈতৈ লাইকোনদা পন্থৌগা হকথেংননা উনখি। উনখিবা অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, অৱাং কৌব্রু অশুপ্পা লৈমরোল খুন্দা অহানবা হায়বসি মণিপুর লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপ কাঙলূপ অমত্তনা হায়বা নত্তে, মৈতৈ ফুরুক খক্তনা হায়বনি। অদুনা ঐখোয় মঙফম কনবা তোক্লসি, অহিংবা ঐখোয়না অহিংবা মফম কল্লসি হায়বরোমদা চঙশিনবনা অহিংবগী চাউরবা থৌদাং ওইহল্লসি হায়খি।

চীংঙু নোংপোক কৌব্রু, নোংদা লাইরেন পাখঙবগী খুন্থোক ৱারীগী মনুং চন্না মায়কৈ মরিগী চুক ওইনা লৈরিবা কৌব্রু লাইফমলেননি। লাইফমলেন অসিদি চৈশিং চৈথেক চৈচৎ নাইদ্রিঙৈদগী, লাই হাক্তক্তগী খুভম ওইনা লৈরক্লবা অরুবা মফমনি। লাইগী ময়াইতবু নুমিৎকী মরক্তসু ফোঙলবা, নুমিদাংগী থাগী মঙালদসু ফোঙলবা কৌব্রু লাইফম অসিদি কনানসু নমশিন্দুনা থম্বা ঙম্লোই।

কৌব্রু লাইফমদা অয়েৎপা পীরিবশিং অসিদি ঈশিংদা তাওবা উনা অকংবনি। মীওইবা হায়বসিদি কুইদ্রিবা মপোক অমনি। কৌব্রুগী খুভম অসিদি লাইফম খুভম ওইদুনা লাক্লবনি। মণিপুরগী লাই হাক্তক্তগী পুৱারী হায়বসি নীংশিংবা থোক্রবা মতমদগী লৈরক্লবনি। কৌব্রু অসি মৈতৈগী লাইফমনি। মসিদা ঙসিগী মীরোলনা চহী লিশীং অনীগী পুৱারী হায়বসি হায়হন্নীংদে। চহী লিশীং অনীগী পুৱারী হায়বসিদি নৌরিবা চহীনি। ঐখোয়গী লৈজরক্লিবা পুৱারীদি চৈশিং চৈথেক চৈচৎ চৎনদ্রিঙৈ লাই হাক্তক্তগী লৈরক্লবনি হায়খি।

লাইবু থৌগল তৌবদি মীওইবনা থৌগল ঙমজবনি। নোংদা লাইরেল পাখংবগী চাদা নাওদা ওইরিবা লাইনিংথৌ শাগোন্নরিবা য়েলহৌমী ওইবশিংনা লাইনিং খুভম কনবদবনি। কৌব্রু লাইফম কনবসি মীওইবা পূম্নমক্কী থৌদাং ওইনা ঐখোয়না পাঙথোক্কদবনি। মণিপুরদা লৈরিবশিংনা কৌব্রু লাইফম কনবদা যাদবা লৈতে। কনমিন্নগদবনি হায়দুনা চঙশিনগদবনি।

মালেম লৈশেমলোনগী লাইগী খুভম খুদিংমক কৌব্রুদা লৈগনি। লৈরিবশিং অসি মাঙহনবা য়াদে। খৃষ্টিয়ান, অল্লাহ, হিন্দু লাইনীংগীদি লো শেমদুনা লৈরি অমসুং চৎনরি। মৈতৈ লাইনীংগীদি লো লৈতে অমদি চৎনদে। মসিনা মাঙশিল্লকপা অমসুং মুৎশিল্লক্লবগী মচাক ওইরকই। মরম অদুনা মীতৈ ফুরুপকী অমদি মীতৈ লাইনীং মুথৎনবা হোৎনরকপদা চীং, পাৎ, তুরেল, মহৌশা লাইরেম্বীগী মশক লৈরক্তবনি।

কৌব্রু খুন্থোক ৱারীলোলগী মতুংইন্না সলাই তরেৎকী ওইবা তুংলমচৎকী, মীরোল কয়াগী ওইহৌনবা থম্বীরম্লিবশিং অসিদি কন্নবা লৈবাক চৈঙাক মপুরেলগী থৌদাং অমসুং খোঙথাংগী ফিরেপ চঙই। খাংজেং লাইরেম্বী ইমাগী লোইশঙলোনগী মনুং চনবা চৈঙাকলোন শেম্বীদুনা চৈখল ওইনা থম্বীরম্লগদি ঙসি নোংগী মপোক অথোইবা মপুগী থৌজাল ফংবা হায়বদু ওইগনি। ইশা ইশাগী কোকলেন কোক ওইরিবা কৌব্রু কনবা হায়বসিদি ঐখোয়গী ইথৌদাংনি হায়না পন্থৌনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

# বেবিস্না মীশিগী অচুম্বা পুথোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মণিপুরগী গভর্ণরদা অইবা চেরোলশিং পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী বেটি বচাও বেটি পরাওগী ৱাহন্থোক লৈত্রবা মণিপুরনি হায়দুনা লৈখিদ্রবা নিংথৌজম বেবিস্না চনুগী মীশিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোক্লবগীদমক থৌদোক অদুগী মতাংদা শেমখিবা জে ইন্ট এক্সন কম্মিটিনা লৌখৎলকপা অনৌবা খোঙথাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, মণিপুরগী গভর্ণর, হায় কোর্ট, চীফ মিনিষ্টর, সী বি আইগী দিরেক্টরনচিংবদা অইবা চেরোলশিং পীশিনখ্রে হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দি মর্দর ওফ নিংথৌজম বেবিস্না চনু, থাংমৈবন্দগী কনভিনর এল গ্যানেশ্বরিনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংমৈবন্দ মাইস্নাম লৈকায়দা লৈবা বেবিস্না চনুগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা কনভিনর অসিনা মখা তানা হায়, প্রাইম মিষ্টির নরেন্দ্র মোদিনা য়াম্না তোয়না লাউবা সব কা সাথ সব কা বিশ্বাস হায়বা বি জে পি অসি অচুম্বা তৌই হায়দুনা ঙাঙলি। ইনি দয়াদা লৈবা ইচানুপীশিংগীদমক্তা বেটি বচাও বেটি পরাও হায়দুনা মণিপুরদসু চথরি। অদুবু মসি পূম্নমক থবক ওইনা পাঙথোক্লব্রা হায়বদি পাঙথোক্তে। সব কা সাথকী থবক পূম্নমকপু মতেং পাংবা, চাওখৎ থৌরাং পীবা, পূম্নমকপু থাজহনবা হায়বা মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী মখাদা মণিপুরগী বি জে পি লৈরিবনি। অদুবু মণিপুরনা ইন্দিয়াগী বি জে পিনা হায়রকপশিং ইনব্রা হায়বসু ইন্দে, চহী ১২ খক্তং ঙাইরিবী বেবিস্না লায়রবা মমা মপানা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ৱানা তমহঞ্জবনি। বেটি বচাও বেটি পরাও হায়বা স্লোগানগী ওন্ন-তৈনবদা কনবীবগী মহুত্তা হাৎতোকপীবা, লাইরিক তম্বীবগী মহুত্তা লাইরিক তম্বা ফংহন্দনবা থৌরি য়ানশিন্দুনা থম্বীরম্বনি। মরম অদুনা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) গী স্পেসল ক্রাইম ব্রাঞ্চনা স্লোগান অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরে হায়দুনা এক্সন লৌখৎপীনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা জে এ সীনা অইবা চেরোল থাখিবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা বেবিস্নাগী মীশিগী মতাংদা ফজনা এক্সন লৌখৎপীরমদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীরম্বা তারবদি ঙসি ঙসিমক থোক্লিবা রিমসতা এম বি বি এস তম্লিম্বা সনাতোন অথোকপমগী থৌদোক অসিসু থোক্লম্লোই। করিগীদমক্তা থা অনী ফারক্কদৌরবা সনাতোন অথোকপমগী থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা এফ আই আর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদ্রিবনো। মরম অদুনা সী বি আইগী স্পেসল ক্রাইম ব্রাঞ্চ (কোলকটা) অমসুং লৈঙাক্কী মথক্তা অচুম্বা তৌনবা ইন্সত্রক্সন পীবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুদা ফোঙদোকখি।

মন কি বাট হায়দুনা থা খুদিংগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী থম্মোয়গী ৱারোল হায়বদুদা ইনি দয়াগী মীয়ামদা তাহনবীনবা হায়দুনা চেরোল অদু থাখিবনি। সী বি আই কোলকটাদসু ৱাফম অসি য়ৌহনবীয়ু হায়জবনি। লৈখিদ্রবা বেবিস্নাবুদি কনবা ঙমহৌদ্রবসু মহাক্না শিরমদাইদা মহাকপু থাংদোকপীখিবা, মখৌরি মেৎপীখিবা, থৌরি য়ানবীখিবদা ৱাখিবশিংদু মীহাৎপশিং চৈরাক পীরবা মতমদা বেবিস্নাগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈদুনা মথংগী মপোক্তা লাইরিক তম্বা ওইরসনু হায়দুনা জে এ সীনা হোৎনবনি। বেবিস্না মীশিগী মতাংদা অচুম্বা ফংদ্রিবা ফাওবদি জে এ সীনা কোর্ট খুদিংমক্তা চৎখিগনি। সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া ফাওবদা ৱাকৎখিগনি হায়খি।

লৈখিদ্রবা নুপীমচা অসিগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং চৈরাক পীরবদি মীহাৎপা খুদিংমক শোয়দনা কিরক্কনি। খুন্নাইসিগী ইচাশিং কনবা ঙমগনি। অদুনা হান্নদগী মতেং পাংদুনা লাকপশিংনা মখা তানা জে এ সীদা মতেং পাংবীয়ু। চেরোলশিং অদু অহানবদা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতা হান্না পীরবা মতুংদা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টতসু পীশিন্দুনা হায়জখি। মরমশিং অসিনা ঙরাংসু সী বি আই কোলকটাগী মপূং ফাদবা রিপোর্ট, মথোং হুক্তবা কয়াদু ইরগা মণিপুরগী গভর্ণর, হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসনচিংবা য়াওনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদসু পীখিবনি হায়খি।

জে এ সী কো কনভিনর সাপম সুভাকরনা ফোঙদোকখিবদা, জুলাই ১৪, ২০১৯দা মহাক্কী অপোকপা তোমচৌনা নুপীমচা অসিবু ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বোর্দিংদা থিল্লুবনি। অদুগা জুলাই ১৮দা শিরে হায়বদগী চৎলুবদা করিগীদমক্তা মতমদুদা এম এল এ অমা লৈরম্লিবনো। অদুগা করিগীদমক্তা মথৌ চিনখ্রবা রেভিন্যু মিনিষ্টরনা বেবিস্নাগী য়ুমদা লাক্লগা কমপ্রোমাইজ তৌনবা হোৎনবগী মরম করিগীনো হায়নসু হংখি। মসিদগী জে এ সীনা লৈঙাক অমসুং মণিপুর পুলিসতা থাজবা মাঙবদগী কেস অসি সী বি আইদা শিন্নৌ হায়খিবনি।

থা মঙারোম খোঙজং চঙশিল্লবা মতুংদা হায় কোর্টকী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা কেস অদুগী পীখিবা ওর্দরদা পল্লিবা ৱাফমশিং ময়েক শেংনা হায়জখিবনি। অদুবু সী বি আই কোলকটাগী স্পেসল ক্রাইম ব্রাঞ্চ অসি ঙসিদি বেবিস্নাগী থৌদোক অসিদা মোকরি ওইরে হায়খি।

মখোয়না ফাইনেল ইনভেষ্টিগেসনগী সবমিসননি হায়দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সী জে এমদা পীখৎলকখিবা অদু মোকরিনি। ইভিদেন্স মেটেরিএল শুকয়াও য়াওদ্রে। ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসি মণিপুর ইষ্টাব্লিসমেন্টনা শুংয়া য়াদবা অমনি হায়রি। মসিগী মতাংদা হায় কোর্টকী রিটয়ার্দ জষ্টিস অমদা চৎতুনা হংজরুরে হায়বা ৱাফমসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## খোংজোম লান নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): খোংজোম লান নীংশিং থৌরম অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী থৌশঙ, মসা লোইশঙ (ব্রাঞ্চ) শিংদা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তারকপদা পাঙথোক্তুনা খোংজোম লানদা ইমা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবা লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা লুচিং পুরেল অথৌবা পাওনম নাওল লোয়নবা নীংতম লান্মী খুদিংমক্কী মফমদা হুয়েন লানলোংগী ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়নবা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অসি অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী ময়ায় লোইশঙ, থৌশঙ মচাশিং অমদি করাই কান্দি, কছার লৈহাওপোকপী, জিরিবোন, অসামদসু পাঙথোকখি হায়রি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা মণিপুরগী নীংতম লান্মীশিংদা কৎচবা 'শৈথাবা ঈশৈ' অমসুং 'ঙসি লাইহুইগী শঙলেন'দা অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপ অনী খূৎশম্নদুনা খোংজোম লানগী লানফমদা হায়না শৈহৌবা ঈশৈ অমসু মীয়ামদা খূৎশিন্নখি।

থৌরম অসিদা লূপকী শিন্তাকহল ওক্রম মংলেম মীতৈ, লাইহুইগী দিরেক্টরসু ওইরিবা শিন্তাক পুরেল ময়াংলম্বম মঙাংস্না, লূপকী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা শিন্তাকপা সাপম ইনাওবী, শৈশকপী মংকা ময়াংলম্বম, অইবা ওক্রম মঙলেম মীতৈ (প্রসিদেন্ট) অমসুং ম্যুজিক দিরেক্টর ময়াংলম্বম মঙাংস্নানচিংবনা শরুক য়াখি হায়রি।

## এম য়ুদা দিস্কসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): নোংমগী ওইবা এন এস এস কম মিটিগেসন ওফ সেকেন্দ ৱেভ ওফ কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্স হায়বা টোপিক্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন এস এস সেলগী মখাদা লৈরিবা প্রোগ্রাম ওফিসরশিংগী ওরিয়েন্টেসন অমসুং দিস্কসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

প্রোগ্রাম অসি য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোর্ট হোলদা মহৈকোল অসিগী এন এস এস সেলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১দা এংলো-মণিপুর ৱারগী থৌনা ফবা লান্মীশিংদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা নেসনল সর্ভিস স্কিম, রিজনেল দিরেক্টোরেট (নোর্থ ইষ্ট রিজন) গী রিজনেল দিরেক্টর দিপক কুমারনা চীফ গেষ্ট ওইখি। অদুগা থবক্তগী পোত্থারবা ডা. আর কে নিমাই অমসুং এন এস এসকী ষ্টেট লাএজন ওফিসর এম দি ফিরোজ খান, য়াসকী দেপ্যুটি সেক্রেটরিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইরগা এম য়ুগী এন এস এস সেলগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ডা. এম নোদিয়াচান্দনা প্রেসাইদ তৌখি। প্রোগ্রাম অসিদা পার্টিসিপেন্ট ২০না শরুক য়াখি।

## মীওই ১,০৪৬ রোম ফ্লাইট ৯ না ইম্ফালদা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী ৱাংমা তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১,০৪৬ রোম ঙসি ফ্লাইট ৯ না পুদুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেস্নেল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.১০ তাবদা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই নুপা নুপী অমদি অঙাং য়াওনা নুন্না ১৭৬ রোম পুদুনা ইন্দিগো ৬ঈ-২২৫১ ফ্লাইট অসিনা ইম্ফালদা পুরকখ্রে। অয়ুক পুং ১০.২০ রোম তাবদনা ইন্দিগো ৬ঈ-৬১৮১ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পলম্বা মীওই ৬১ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। অয়ুক্কী পুং ১০.৫৫ তাবদনা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮২ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫৪ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি।

নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ মুক তাবদনা এয়র ইন্দিয়া ৯ আই-৭৪১ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটা, গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরনচিংবদা লৈরম্বা মীওই ৩৮ রোম ইম্ফালদা পুরকখি। নুংথিলগী পুং ১২.১০ তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৭১৫ অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ৩৫ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিলগী পুং ১.১৫ তাবদনা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী, গুৱাহাটিদা পলম্বা মীওই ১৬৫ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিল পুং ১.৫৫ রোম তাবা মতমদনা ইন্দিগো ৬ ঈ-২৫১৫ অসিনা দেল্লিদা পল্লম্বা মীওই ১৩৫ অসি ইম্ফাল এয়র পোর্টতা পুরকখি। নুংথিলগী পুং ২.৪০ রোম তাবদনা ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩৫৮ অসিনা কোলকাটাদা পল্লমবা মীওই ১৫৯ পুদুনা ইম্ফাল এয়র পোর্টতা পুরকখি।

ঙসি নুংথিল পুং ৩.১৭ রোম তাবদনা ইন্দিগো ৬ঈ-৫২৪ ফ্লাইট অসিনা বেঙ্গলোর অমদি অগরটালাদা পল্লম্বা মীওই ১২৩ রোম পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। মরমসিদা হৌজিক কোভিদ লায়নগী সেকেন্দ ৱেভ খরা কনবা ষ্টেট দেল্লী, মহারাষ্ট্রা, পঞ্জাব, মধ্য প্রদেশ, ছটিসগর, কেরলা, করনাটাকা, গুজরাট অমদি রাজস্থানচিংবদগী মণিপুরদা ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা নুপা ৫, নুপী ৬ পুন্না মীওই ১১ রোম আর টি পি সী আরগী টেষ্ট তৌনবা সেম্পল লৌখি মখোয়গী রিজল্টনা হয়েং ফংলগনি। অদুগা ঙরাং আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌখিবা মীওইশিং অদুদি লোয়না নেগেটিভ ওইরম্লে হায়রি।

## কাদা অমসুং নিমপালনা খোংজোম লান নুমিৎকী নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মরৈবাক মরমদম্বু কন্নবগীদমক্তা মালেমদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নরিবা বৃটিশকী কোলোনিএল পৱারগী মায়োক্তা শোক্লখিবা খোংজোমগী লানফমদা নীংহন্নবা লৈতনা মায়থীগনি হায়বা খঙনা খঙনা লাম্হেংনবদা থৱায় পাম্মুবা লৈতনা লৈবাক্কীদমক পুন্সি কৎথোকখ্রবা লাই ওইখ্রবা অথোইবা ইপা ইপুশিংগী মফমদা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্না ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়নবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম আনন্দনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কাদাগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, ঙসিগী থৌরম অদু অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা ইম্ফালগী পুরৈরোম্বা খোংনাং মখোঙদা লৈবা কাদা হেদ ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা ফোঙদোকখিবদা পিক্লবসু পিক্লা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা নীংখা তম্না পাঞ্জরম্বা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরনি। মতম অদুগী বৃটিশ কোলোনিএল পৱারনা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শান্নদুনা নিংথৌ মচা মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তান্নহনখি। ঐখোয়গী পাঙ্গল ময়েং তাহনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা কুমজা ১৮৯১গী লানফম অদুনা লৌশিং ওইদুনা লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবগী মতম ওইরে। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অপিকপা ৱাখলনা মাঙজিল থাদুনা য়েংথিনবগী মতম নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পাওনা ব্রজবাসি, বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেলগী ফোটোদা কাদাগী থৌমীশিংনা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

অমরোমদা, নোংপোক ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিমপাল) গী সেক্রেটরি জেনরেল এস শান্তি লৈমনা থোরকখিবা চেরোল অমদা ঙসি খোংজোম লানগী ১৩০ রকশুবা নীংশিং কুমওনগী থৌরম নিমপালনা শীন্দুনা মসিগী ময়ায় লোইশঙদা এস ও পিশিং ঙাক্তুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ইরমদমগীদমক্তা নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক বৃটিশকী মায়োক্তা থেংনখিবা খোংজোমগী অকনবা লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মেজর পাওনা ব্রজবাসিগী খুভম অমসুং লানফমদুদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা মৈরা অমসুং হৈকৎ লৈকৎ তম্বগা লোয়নবা মিনট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়রি।

## 'সনাতোন অথোকপম মীশিগী মেজিষ্টরিএল ইনক্বারিগী রিপোর্ট থুনা পীবিয়ু'

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): সনাতোন অথোকপম মীশিগী মতাংদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট বিসাল রোয়না থোরকপা চেরোল অমদা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা চথরক্লিবা মেজিষ্টরিএল ইনক্বারিগী রিপোর্ট য়ারিবমখৈ থুনা মীয়াম অমসুং মরী লৈনবশিংগীদমক য়েংবীরগা অথুবা মতমদা পীবীয়ু হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌদোক অদু থোকখিবা নুমিৎতগী হৌরদুনা রিমসকী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা অঙম্বা থাক্তা অচুম্বা অমসুং অশেংবা পুথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবশিংদসু ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা মহাক্কী মরুপ মপাং অমসুং মরী-মতানা থেংনখিবশিং অদুবুসু খঙই। লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা চথরক্লিবা মেজিষ্টরিএল ইনক্বারি অসিদা য়ুনিভর্সিটিগী এগজামিনেসনশিং চথরক্লবসু অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লিবনি।

থৌদোক অদু থোকখিবগা পন্থদনা মার্চ ১৬তা ইন্সটিট্যুট অসিগী জুবিলি হোলদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদু ইন্সটিট্যুট অসিগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন্না শীনখিবনি। কোন্দোলেন্স মিটিং অদুদা ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোয়শিং, ষ্টাফশিং অমসুং রিমস ওথোরিটিগী মায়কৈদগী দিরেক্টর, দিন, মেদিকেল সুপরিন্দেন্টনচিংবসু শরুক য়াখি।

লোয়ননা মরী লৈনবা পূম্নমক্না চথরক্লিবা মেজিষ্টরিএল ইনক্বারি অসিবু ইকায়খুম্নবীবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা অচুম্বা পুথোরকপা ওইরসনু হায়রি।

ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোয়শিংনা কৈদৌনুংদা তূমিন্না লৈশিনখিদে। লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী য়ুনিয়ন্দা রিমসকী ওথোরিটিশিংনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অশেংবা অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনরকপদা মতেং পাংদনবা প্রেসর তৌখিবা নৎত্রগা হায়রকখিবা অমত্তা লৈতে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থোকখিবা ওর্দর অমদা থৌদোক অসিগী মতাংদা অশেংবা লংলা লংজিন পুথোক্লবগীদমক সী আর পি সীগী সেক্সন ১৭৬কী মখাদা মেজিষ্টরিএল ইনক্বারি চথহল্লক্লিবনি।

## আইমোল ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা উকু অমসুং লম্বী শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): তেংনৌপাল দিষ্ট্রিক্টকী তম্পাক ভিলেজদা হেদ ওফিস ওইরিবা আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অশুম) গী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং প্রসিদেন্টনা পূন্না খূৎয়েকপীদুনা থোরকখিবা চেরোল অমদা মতম কুইনা য়েংশিনবীরক্ত্রবা পলেলদগী আইমোল খুল্লেন তাবগী পি এম জি এস ৱাইগী লম্বী অসি য়ুনিয়ন অসিনা শেমজিন্দুনা লাকখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না লন্নাই শেল পুথোকচদুনা শেমজিনখ্রে হায়রি।

লম্বী অসিদা শারম্বা স্লেভ কলভর্ট অদুসু ফীভম চানা শেম্লমদবদগী কায়রক্তুনা গাড়ী চৎথোক চৎশিন তৌবদা অৱাবা মায়োক্লুরক্লিবনি।

হায়রিবা ফীভমশিং অসিদগী য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট এস খুপমিন্থাংগী মীৎয়েং মখাদা জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ লাংচুংনা লুচিংবা য়ুনিয়নগী মীওইশিংনা লন্নাই ওইনা শেল পুথোক্লগা শেমজিল্লে হায়রি। য়ুনিয়ননা লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা মীৎয়েং চঙবীরকউ হায়রি।

## লাইব্রেরিবু শেন্দোং ফংদবা লোইশঙনি খন্দুনা থৌশাদবা চুমদে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন (মালা) না শীন্দুনা ৱর্ল্ড বুক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লাইব্রেরিয়ান ডা. থৌনাওজম খোমদোননা লাইরিক, লৌশিং অমসুং লৌশিংকোন হায়বা টোপিক্কী মতাংদা ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা লাইরিক হায়বসি লৌশিংগী ইফুৎনি, মহৈ লোইশঙশিংদা মতিক চাবা লাইব্রেরিগী তঙাইফদবা লৈবশিংদুসু পনখিবগা লোয়ননা থৌরম অসিগী ময়ায় তাংবল লৌখিবা মালাগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাওবনা লাইব্রেরি (লৌশিংকোন) হায়বসি লৌশিংগী দামগুম্বনি। লাইব্রেরিবু শেন্দোং ফংদবা লোইশঙনি খন্দুনা লৈঙাক্না থৌশাদবা চুমদে। লাইব্রেরিনা অফবা সিটিজন পুথোক্তুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বনা লাইব্রেরিগী শেন্দোংনি। মরম অসিনা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরি এক্ট থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়খি। থৌরমদুদা য়ুম্নাম লক্সমন, ক্ষেত্রিময়ূম শান্ত, আর কে উরমিলা অমসুং লাইময়ূম সোবতিনচিংবা মীওইশিংসু ৱা ঙাঙখি।

## খোংজোম নুমিৎকা মরী লৈননা খেবা চীংদা হৈপাল উপাল থাখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): মহৌশাগুম্না ঙসি পাঙথোকখিবা অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১গী খোংজোম লানগী নীংশিং থৌরম নুমিৎকা মরী লৈননা ইরমদম মণিপুরগী ভলন্টিয়রশিংনা খেবা চীংগী কেম্পসতা মখল কয়াগী হৈপাল উপালশিং থাখিবগা লোয়ননা মীওই কয়াদসু উ চারাশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

ইরমদম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট জিনাইন থোকচোম্না থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা, খোংজোম নুমিৎ লাকপদা হৌখ্রবা ইপা ইপু কয়াগী থৌনা লিংজেল কয়া শৈথাজবগা লোয়ননা মালেমসিদা তোপ তোপ্পা মথৌনা মরিংজেল কয়াবু শক শোন্দুনা মখোয়বু নীংশিংজবা ওইনা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অসি ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকপনি হায়রি।

## নর্স অমদা চথুরকখিবা এটেক্কী মায়োক্তা সিট ইন প্রোটেষ্ট চথখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): ঙরাং পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুসনগী মেম্বরশিংনা চথখিবা পুং ৪৮গী বন্দ মনুংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পবগীদমক লাকচখিবা নর্স অমবু বন্দ শৌগৎপশিংনা ফবাকচাওদা ফূ চৈবীবদা নত্তনা মহাক্না তোংলকপা গাড়ী থুগাইখিবা থৌদোক্তুগী মায়োক্তা ঙসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কেম্পসতা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিংনা ইমর্জেন্সি অমসুং কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা নত্তনা থবক লেপ্তুনা সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মেদিকেল ফ্রেটের্নিটিনা চথখিবা সিট ইন প্রোটেষ্ট অদুনা থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোক থোক্লিবা মফম অদু মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী জুরিসদিক্সন মনুংদনি হায়খি। লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা চুড়াচান্দপুর দি সীগী খূৎথাংদা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

সিট ইন পোটেষ্টতা শরুক য়াখিবশিংনা ঙরাংগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং পুং২৪ গী মনুংদা ফাগৎতুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি অমসুং অকায় অতোয় মায়োক্লরবা নর্স অদুদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়খি।

থৌদোক অদুবু জোমি হ্যুমেন রাইটস ফোরম, ডাক্তর অমসুং নর্সশিংগী এসোসিএসনশিংনসু কন্দেম তৌখি। লোয়ননা ঙরাংগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই ৩ থৌবাল পুলিসনা ফাগৎলে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## কৌব্রু লাইফমলেনগী ৱাথোক মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইহনবীনু

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): কৌব্রু লাইফমলেনদা মৈহৌ লাংপোক থোকখ্রবা মতুংদা লাইফমলেন অসিবু ঙাক শেনবীরম্বা মীওই অদুনা মখা তানা লাইফমলেন অসিবু ঙাকপী শেনবীগদবা মান্দ্রে। মরম অদুনা লাইফমলেন অসিদা মখা তানা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা খ্বাই নুংশেং শিন্থা লূপনা ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌবীদুনা লাক্লি। চুম্না লাই খুরুম্বা চৎপদগী মশাদা করিগুম্বা চিংনবা অমত্তা পোক্তনা, চান-থক্নবা, ফিরোল অমত্তা য়াওদনা লাইফমলেন অসিবু ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌবীরি। মসিগীদমক খ্বাই নুংশেং শিন্থা লূপকী থৌমীশিংবু তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মখোয়গী মরৈবাক নীংবা অমসুং ফুরুপ্পু নুংশিজবা অসিমক্তি লৈবাক মীয়াম্না অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপীদুনা তেংবাংবীবা মথৌ তাই হায়রি।

ৱাফম অসি য়েলহৌমী কনবা অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট লানঙম অঙোমনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ঙসিগী লৈঙাক অসিবু লুচিংবীরিবা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লৈবাক অসিগী তুংদা ওইরকপা য়াবশিং নৈনবীরগা মীৎয়েং চঙবীবা য়াম্নমক তঙাইফদ্রে। হৌজিক চয়েৎনরিবা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা মাগী মাগী হায়বা ৱাখল্লোন্দা শুংলৈ লৈতবা অরানবা পুৱারী শেমজিন শাজিল্লগা চিনগী লান তৌনরিবা অসি অচুম্বা অশেংবা পুৱারী থিদোক্তুনা মতম চুপ্পগী ওইবা ৱাখৈনবা অমা পুরক্লবা হোৎনবা মথৌ তারক্লে। ৱাফমসিদা মতম থিন্থুরবদি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওল্লক্তুনা ইরমদম অসি তংদু লৈতাদবা লমদম অমা শোয়দনা ওইরক্লগনি। মতাংসিদা লৈবাক মীয়াম্না মীকুপ নাহুম শিংনা অমদি ৱাখল ফাথনা লৈবীয়ু হায়নসু মখা তারক্লি।

## কৌব্রুবু নেসনল হেরিটেজ সাইট ওইহনবীনবা হোম মিনিষ্টরদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচএনএস): ইম্ফালগী শগোলবন্দ তেরা কৈথেলদা লৈবা মীতৈ ফুরুপনা কৌব্রুদা লোনা য়াদবা মওংদা লম খোপচিল্লকপশিং থিংদুনা মফম অসিবু লোর্দ কৌব্রু হায়দুনা নেসনল হেরিটেজ সাইট অমা ওইনা ঙাক শেন্দুনা থম্বীনবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শহাদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

অইবা চেরোল অদু মীতৈ ফুরুপকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এ নোংদম্বা লুৱাংনা ঙসি পীশিনখিবনি। চেরোল অদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা তকশিনখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মাউন্ট কৌব্রু অসি মণিপুরী নেসনল হেরিটেজনি। মফম অসি শেংলবা লোর্দ কৌব্রুগী এরিয়ানি। মফম অসিদা মীওইবগী পুন্সি হৌরকপা অমসুং মসিদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শন্দোরকখিবগী থবক হৌরকখিবনি হায়না য়েলহৌ মীয়াম্না থাজনদুনা লাক্লিবনি।

হায়রিবা ৱাফম অসি নেসনল অর্কাইবস ওফ ইন্দিয়াদা থম্লিবা ৱাকোকলোন হিলেন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়াদসু ময়েক শেংনা ইরিবনি হায়রি।

সনামহী লাইনীং চৎপা মীওইশিং খক্তা নত্তনা হিন্দু লাইনীংগী তুং ইল্লিবা মীওইশিং ফাওবনা শেংলবা কৌব্রু চীংদা চৎতুনা ঈরাৎ থৌনিগী থৌরমশিং পাঙথোক্লরিবনি।

মণিপুরগী ওইনদি কৌব্রু অসি খ্বাইদগী শেংলবা মফমশিংগী মনুংদা অমনি। তশেংনমক ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগী মকা অমসুং খৃষ্টান/জুদাইজম চৎপশিংগী জেরুসালেম নৎত্রগা হিন্দু লাইনীং চৎপশিংগী অমরনার্থ কেফ হায়দুনা লৈরিবা অসুম্নাইনা কৌব্রুচীং অসিসু মণিপুরগী খ্বাইদগী শেংলবা মফম অমনি। চহী খুদিংগী মীওই লিশীং লিশীংনা খুজিং ওইদুনা মফম অসিদা চৎতুনা শেংলবা লাইফমলেনশিংদা খুরুম্নরিবনি। মরম অদুনা কৌব্রু চীংশাংবু নেসনল হেরিটেজ সাইট ওইনা ঙাক শেনবীদুনা লম খোপচিনবশিংদগী কনবীয়ু হায়খি হায়রি।